# থাঙ-তা হায়বসি, মৈতৈ ঐখোয়গীদি ইপা-ইপুনা থম্বীরম্বা অতাঙবা লন্নি ঃ সেঞ্জম ইবোপীশক

রত্নেশ্বরী গোস্বামী



সেঞ্জম ইবোপীশক

হান্নগী মখা...

ৱারী মখা তারদুনা পাবুঙ ইবোপীশক্না গুরু শিষ্য অনীগী মরক্তা লৈনগদবা মরীগী মতাংদসু অসুম্না লীবিরকখি। ওজা গুরু হায়বসিদি মীৎনা উবা ঈশ্বরনি। ওজানবু পেনবিরবদি, তাকপী-তম্বীবা মতমদসু অখাকপা অমত্তা থমদনা তাকপী। ঐখোয়না তমজবা মতমসিদা, ওজানা করি পাল্লিবগে হায়বসিমসু খঙবা য়াম্না তঙাইফদে। ঐহাক ইশানা খঙনিংনা হৈনিংনা হোৎনরবদি, ওজানসু পরিং কাইদনা মথং মথং তাকপীরকপা, মসিদি শোইদ্রবনি।

ওজা গুরুবু য়ুমদা থমজরগা থাঙ তম্বগী কান্নবসিনা, ওজাগী নোংমগী নিতি নিয়ম, চাকচা-য়ুথক, য়াহিপ পুম্নমক খঙজবা ঙম্মী। লৈবাক্না শকখঙনবা মশক নাইবা ওজাশিং অসিগী তোপ তোপ্পা মগুন কয়ামুক লৈনবনা, ঐখোয়না ওজাশিং অসিদগী মতৌ তমজহৌবা য়াবা কয়া অমসু লৈ। ওজা তরঙ্গোনা তাকপীরম্বা, মীওইবা ঐখোয়গী হকচাং অসি নাদ-য়েক্তনা তুং কোইনা থমগে হায়রবদি ইহান হানবদা ঐখোয়না তৌগদবা শাজেল অসি ‘‘শ্বর’’ শান্নবনি। মসি করম্না শান্নগদগে হায়বদা, অঙম্বা চাংদা ঙল্লিবমখে শ্বর অসি অহানবা ওইনা চীংশিনগদবনি, অদুগা থাদোকপা মতমদনা তপ্না তপ্না হকচাংসি য়াম্না ফ্রি ওইনা হোন্দোক্কদবনি। ফম্বা মতমদসু



ফিরেপ চানা নিংথিনা ফমগদবনি। শ্বর শাজেল শান্নবগী, খ্বাইদগী ফবা মতমদি, নোংঙাল্লমদাইগী অমম-অঙান শিন্নবা মতমসিনি। পুঙখায়/পুঙ অমা নুমিৎ খুদিংগী চাং নাইনা অয়ুক অঙনবা অমসুং নুমিদাংৱাইরমদা শ্বর শাজেল তৌরিবা

## মৈতৈগী ইন্দিজিনস গেম থাঙ-তা

মী অমদা, অনা অয়েক খক লৈরোই। নুং অমসুং পান মশক খঙনা হীঙলিবা তাইবঙ মী অমদা, লাইনা তিলনা চঙবসি ওইথোক্তে।

মসিগুম্বা কাংলোনশিং অসি ঐখোয়গী ইপা ইপুনা নিংথিনা থম্বীরম্লবনি। মসিগা লোয়ননা ‘‘লান-থাঙ’’ তমজবা ঐখোয়দি ইপা ইপু মশক খঙনা চৎতবা নত্তে। অৱাং কৌব্রু অশুপ্পা ইবুধৌ, খা না চাওবা ইবুধৌ ৱাঙপুরেন (ৱাংব্রেন), ইবুধৌ মার্জিং, ইবুধৌ থাংজিং কোইরেনলাই, কোরৌ ইপা সোরারেন, মালেম লৈমা ইমা, পুম্নমকসি খুরুমদবা য়াদে। ইবুধৌশিং অমদি পন্থৌ ইপা ইবুংঙো, পলেম ইমা ইবেম্মা মখোয়না খা ৱাং, নোংপোক নোংচুপ, মথক-মখা পুম্নমকসিদা, ঙাকপী শেনবীরি খল্লগা য়াইদা ঐনা লৈরগা য়েক্লবা লম্বা পাবদা খক মায়থিগন্দে হায়নসু থাজনৈ। থাঙ হায়বসিদি মশক খঙনা ঐখোয় তমগদবনি। ঐখোয়গী ওইবা পোৎতা ঙসিগী মীরোলনা কয়া থওইনরক্তবসি ইপাদি অপঙবা ৱাখলনি হায়না খল্লি। হৌজিক্কী নহারোলশিংনা করেম্নমা হায়বা ৱাহৈ খরসু লৈ, বাজি হোয়না হৈরিবা থাঙদু হৌজিক্তি চন্নফম লৈত্রে, হৌজিক্তি নোংমৈগী য়ুগনি। নোংমৈনা দাং-দাং কাপশিল্লকপদা, থাঙনা কৈদৌনদোইনো/ মসুমহায়না হায়। মসিদা ঐনা হায়নিংবসি, নোংমৈ হায়বসি মী খুদিংনা পঙপায়দা পায়রগা পঙকাপ্তা কাপ্পা য়াব্রা? নুপা অমা ওইবগী শরিৎ-শরাক, মুক্না, থাঙ-তা মসি হৈজিনবদা করি অমাঙবা লৈবগে সিনি। হকথেঙননা লম্বা তৌনসি হায়না চোঙথোক্নরকপদা, মীনা লাকচনা তৌরম্লবদি নুপা ওইনা পোক্লবগী করি কান্নে। অদুগা থাঙ-তা, মুক্না, শরিৎ-শরাক মসিদি হৈনিংনা তমজগে হায়না চঙশিল্লক্ত্রবদি, ওজা কনানসু তম্বীগে-তম্বীগে হায়দুনা চোঙথোরক্লোই।

ইপাগী ওইনদি, থাঙ-তাদা নত্তনা মৈতৈ অমা ওইবগী হৈফম থোকপা লোইনা তমজরকই। অদুনা, হকচাংসি ঙসি ফাওবা অনা অয়েক য়াওদনা হিংবসু ঙমজরি। পুন্সিদা হায়বা য়াই, তমজরুবা, হৈজরুবা কাংলোন খরদুনা, মীনা লাকচবা ঙমদনা, পুক্নিং চাওথোকচনা ঙসি ফাওবদি হীঙলক্লি। মীওইবা হায়বসিদি, অমরোমদসু খ্বাইদগী অঙকপা জীব অমনি। তম্বীবদা মীওইবদি য়াম্না শক্তি লৈনা হীঙবসু য়াই। খুদম অমত্তং পঞ্জরবদা, হিমায়লগী উন মরক্তা শক্তি কয়ানা য়োম্লবা মুনী ঋষিশিংনা অইঙ-অশা কয়া লাইনা থেঙনবা অদুম ঙল্লি। মতম শাংনা চাদ-থক্তবা ঙল্লিবা, অইঙবা মফমদা নীঙাইদনা লেনবা ঙল্লিবসি, যোগ শান্নবা, মহৌশাগী পোৎলমশিংবু মশক মুন্না খঙবা, মশাগী ৱিল পৱার লৈবা কয়া অদুননি। মুনি-ঋষিশিংদি মীওইবগী হকচাং অমসুং পুক্নিংগী মশক মুন্না খঙবা মরম্না মখোয়দা অনা অয়েক চঙবা ঙমদে। শ্বরগী শাজেল শান্নবা মওংসিমদি, ইশাগী হৈজবা খরগা, ইপা সাধু ববা অমদগী তমজহৌবনি।

...মথং-মথং

# লাইশ্রম সরিতা ৱাথোক ঃ বোক্সিং ইন্দিয়ানা দিসিপ্লিনরি কম্মিটি লিঙখৎলগনি





ন্যু দেল্লি, নবেম্বর ২২ ঃ

ইন্দিয়াগী মাষ্টর ব্লাষ্টর হায়রগসু খঙনরিবা ক্রিকেট লিজেন্দ সচিন টেন্দুলকরগী মায়কৈদগী হন্দক্তা ইকুই কুইখিদ্রিঙৈ মনুংদা সপোর্ট তৌরকপা অমসুং তেংবাং পীননবগী ৱাফম লৈরকখিবা ওইরগসু, মণিপুরী বোক্সর লাইশ্রম সরিতাগী ওইরকপা য়াবা ফিভম অসি পান্থৈ অমত্তা লৈতবা ফিভম অমদা লাক্কদৌরি অমসুং মসিনা ইন্দিয়ন বোক্সরশিংগী লেমজনফম ওইবা ফিভম, মখোয়গী দিগ্নিটি অমসুং প্রোটেষ্ট তৌনবগী হক অদু হন্থহনগদৌরি।

সরিতাগী ইনচিওন এসিয়ন গেমসগী চয়েৎনবা অসি মহাক মশামক্কী লৈবাক্তা অনৌবা সেট-অপ অমদা পুন্না কন্টেষ্ট তৌনবগী ফিভম অমা ওইগদবা মাল্লি। হৌখিবা ইরাই নুমিত্তা, বোক্সিং ইন্দিয়ানা মরাইবক থিরবী মণিপুরী বোক্সর অসিগী মায়োক্তা এক্সনশিং লৌননবা দিসিপ্লিনরি কম্মিটি অমা লিঙখৎনবা ৱাফম লাউথোকখি।

বি আইগী ৱাঙাংলোই নিটল নরগনা ঙরাং ইংগ্রাজি লোলদা ফোঙবা মমিং লৈরবা পাউ-চে অমদা ফোঙদোকখিবদা, বোক্সিং ইন্দিয়াগী মাইকৈদগী সরিতাগী মথক্তা পিগদৌরিবা চৈরাক্কী চাং অমসুং লৌগদৌরিবা ফিরেপ অদুগী ৱাফম খন্ননবা দিসিপ্লিনরি কম্মিটি অমা লিংখৎলগনি হায়খি।

ঐখোয়গী মাইকৈদগী সরিতা, মহাক্কী মপুরোইবা থোইবা অমসুং কোচতা বোক্সিং ইন্দিয়াগী রেজিষ্ট্রেশন ফোর্মেলাইজ হেক মপুং ফানা লোয়বগা ৱার্নিং লেট্টর ইশ্যু তৌরগনি হায়খি।

ৱাঙাংলোই অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মখোয়গী মাইকৈদগী সরিতাগী বোক্সিং কেরিয়র কম্প্রোমাইজ তৌবা য়াবা অমসুং মহাক্না স্পোর্টস অসিগীদমক্তা কৎথোকখিবা কয়া অদুবু অন্দরমাইন তৌরকপা য়াবগী মতাংদা মখল অমগী ৱারেপ লৌদ্রিঙৈ মমাংদা সরিতানা থমখিবা হৌখিবা রেকোর্দশিং অদুগী মতাংদা খন্থবিনবা এ আই বি এদা হায়জখ্রে হায়খি।

ঐখোয়না এ আই বি এদা সরিতাগী কেরিয়রদা বোক্সর অমা ওইরকপা অদু লোয়শিলহনবা য়াবা মখলগী খোঙথাং অমা লৌদ্রিঙৈ মমাংদা মহাক্কী হৌখিবা পার্ফোমেন্সশিং অদুদা মীৎয়েং চংবিনবা হায়জখ্রে হায়না নিটলনা মখা তাখি।

স্পোর্ট’স নেশনেল গভর্নিং বোদিনা ঙরাং ফোঙদোকখিবা অমদা বোক্সর সরিতা মহাক্কী মপুরোইবা অমসুং কোচতা সো কোজ নোটিশ অমা থারগনি হায়খিবনি।

খ্বাইদগী নৌনা ওইরক্লিবা দিভলপমেন্টশিং অসি ইন্টরনেশনেল বোক্সিং এসোসিএশন (এ আই বি এ) না ইন্দিয়ন বোদিদা প্রেসর পিবা হেনগৎলকপগী মরম অমা ওইগনি হায়না উরি।

বি আইগী প্রসিদেন্ট জজোদিয়ানা টেলিভিজন চেনেল অমদা ফোঙদোকখিবদা, ঐখোয়না কোচ অমসুং সরিতাগী মপুরোইবদা সো কোজ নোটিশ ইশ্যু তৌনবা প্রোসেস চথুরি অমসুং ঐখোয়না পুম্নমক অসিগী মতাংদা এ আই বি এদা খঙহল্লগনি হায়খি।

এ আই বি এগী মাইকৈদগী সরিতাদা মীনুংশি উৎননবা ঐখোয়না ৱাকৎলিবা অসি তাবিগনি হায়বসি থাজরি অমসুং মপুন্সি চুপ্পা বেন তৌবা য়াম্না অহকপা চৈরাকগুম্বা অমগী খোঙথাং চংশিল্লোই হায়না থাজৈ। মসিনা মহাক্কী কেরিয়র মাঙহল্লগনি হায়বগী ৱাফম থমখি।

অদুমক ওইনা জজোদিয়ানা মখাতানা ফোঙদোকখিবদি, মপুন্সি চুপ্পা বেনগুম্বা অহকপা চৈরাক পিদনবা সরিতাদা তেংবাংনবা থৌরাং কয়া লৌখৎলি। মসিগী মমাংদা, এ আই বি এনা ফোঙদোকখিবদা, ৱর্ল্ড বোদিনা ইনচিওন্দা ব্রোঞ্জ মেদল লৌ হায়বা য়াখিদবা অদুগীদমক্তা ইন্দিয়ন বোক্সর অসিদা য়াম্না অকনবা চৈরাক পিরগনি হায়খিবনি।

# কে শ্রীকান্ট হোংকোং ওপন সেমি ফাইনেলদা মায়থিখ্রে

হোংকোং, নবেম্বর ২২ ঃ

ইন্দিয়াগী য়াম্না নহা ওইরিবা সট্টলর কিদম্বী শ্রীকান্টনা য়ু এস দোল্লর ৩৫০,০০০ গী শেলগী মনা লৈরিবা হোংকোং ওপনগী মেন’স সিঙ্গলস ইভেন্টতা ঙসি চাইনাগী টোপ সীদ চেনলোংগী মখুত্তা গেম অহুমদা মায়থিবা নংখ্রবা মতুং হোংকোং সুপর সেরিজ অসিদা ইন্দিয়ানা চংশিল্লক-খিবা কেম্পেন লোইশিনখ্রে।

চাইনা ওপন সুপর সেরিজ প্রেমিয়রদা মহাক্না ঐতিহাসিক ওইবা মওংদা মায় পাকখিবদগী হৌখিবা শগোলশেল নুমিত্তা মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী মকোক থোংবা শান্নরোই তরাগী মনুং চনখিবা শ্রীকান্টনা কোৱলুনদা পুং অমরোম চংনা শান্নখিবা মেচ অমদা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন চেনগী মখুত্তা ১৭-২১, ২১-১৯, ৬-২১ দা মায়থিবা নংখি।


নীংশিংবা য়াবা অমনা, হৌখিবা ওগষ্ট থাদা শ্রীকান্টনা দি দব্লিয়ু এফ ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ্তা চেনগী মখুত্তা মায়থিখিবনি। তৌইগুম্বসুং ইন্দিয়ন অসিনা দিসাইদরদা মায়খিদ্রিঙৈ মমাংদা ঙসি অনীশুবা গেম অদু মায় পাক্লবা হোৎনখিবদা খরা হেন্না ফজবা গেম শান্নখি।

ওপনিং গেমদা চেন্না য়াম্না ঙন্না ১০-৩ দা মাংজিল থাখি অমসুং শ্রীকান্টনা মদুবু তানখৎনবা হোৎনখি। মহাক্না খজিক্তদা পোইন্ট অমা খক্তদা মাংজিল থাখিদুনা ১৬-১৭ দা লৈখি। চেন্না গেম অদুদা মিদ কোর্ট স্মাস অমগা লোয়ননা পোইন্ট লৌননবা হোৎনরকখিবদা নেট প্লেদা পোইন্ট খরা মাঙখি। অদুবু মহাক্না অথুবা মতমগী মনুংদা অমুক্কা হন্না নেটতা হিট তৌখিবা মতমদা ওপনিং গেমদা মায় পাকখি।

অনীশুবা গেমদা, শ্রীকান্টনা য়াম্না কন্না শান্নরকখি অমসুং শ্রীকান্টনা পোইন্ট খরা মাংজখিবদগী চেন্না ৪-০ দা মাংজিল থাখি। মসিগী মতুংদা ইনিদয়ন সট্টলর অসিনা স্মাস অমগী মতেংনা অমুক হন্না চপ মান্নবা ফিভমদা হায়বদি ৮-৮ তা লৈখি অমসুং চেন্না নেটতা হিট তৌখিবদা মহাক্না মাংজিল থাবা ঙমখি।

অমুক্কা হন্না চেন্না য়াম্না ফজরবা নেট প্লে খরগা লোয়ননা মাংজিল থাবা ঙমখি। শ্রীকান্টনা ইন্টরভেল অদু ১১-১০ দা মাংজিল থাবা ঙমখি। রেলিশিং অদু ব্রেক্কী মতুংদা মখা তানা অদুমক লৈখি। শান্নরোই অনীমক্না অমনা অমগী অশোয়বশিং অদুদা খুদোংচাবা লৌনখি।

# ‘রিও ২০১৬ ঐহাক্কী অচৌবা মঙলানশিংগী মনুংদা অমনি’



রিও দি জানিরো, নবেম্বর ২২ ঃ

সর্ব নোভাক জোকোভিক্না কুমজা ২০১৬ তা পাঙথোক্কদৌরিবা রিও ওলেম্পিক্সতা গোল্ড অমা শোয়দনা ফংবা ঙমগনি হায়বগী ওইথোকপা অদু ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা রিও গেমস অসি মহাক্কী খ্বাইদগী চাউনা মঙজবা মঙলানশিংগী মনুংদা অমনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।


মশাগী চহী ২৭ খক্তা ঙাইরিবা শান্নরোই অসিনা ১৭ লক গ্রান্দস্লম চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রবা রোজর ফেদররনা অশোক অপন নংবদগী ৱিথদ্রো তৌখ্রবা মতুং হৌখিবা চয়োলদা লন্দন্দা এ টি পি ৱর্ল্ড টুর ফাইনেল লৌখিবদগী কুমজা ২০১৪ গী ৱর্ল্ড রেঙ্কিংসতা টোপ ওইখি।

মসি ঐহাক্না মঙজরকখিবা অচৌবা মঙলানশিংগী মনুংদা অমনি। ঐহাক্না রিও অমসুং ব্রাজিল য়াম্না নুংশিজৈ। ঐহাক মফম অদুদা অমুক্কা হন্না চৎলুরে। ঐহাক্না একজিবিশন মেচ অমদা গগা (গষ্টাবো কুএর্টন) দা শান্নখিবা মতমদা মফম অদুদা চৎখিবনি। মদুদা ফংখিবা ঐহাক্কী খ্বাইদগী হেন্না ফজবা এক্সপরিএন্সশিং অদুগী মনুংদা মসিনা অমা ওইখি। মীয়াম অদুনসু হরাও তয়াম্না ওকপগী ফিভম অমা উৎখি হায়না জোকোভিক্না ফোঙদোকখিবা ৱারোল পল্লদুনা চাইনিজ ন্যুজ এজেন্সি জিনহুৱানা ফোঙদোক্লি।

ব্রাজিলিয়নশিংনা মখোয়গী স্পোর্টস য়াম্না নুংশিজৈ। চহী অসিগী মনুংদা পাঙথোকখিবা ফুটবোল ৱর্ল্ড কপ অদু চাউনা মায় পাকপা ওইখি অমসুং হৌজিক্না মখোয়না ওলেম্পিক্স য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্লবা মীৎয়েং থল্লি। ঐহাক্কী ওইনসু মদুদা মীৎয়েং থল্লি। মাপল্লক গ্রান্দস্লম ওইবা ঙমখ্রবা জোকোভিক্না কুমজা ২০১৪ সিজন অসি ৬১-৮ ৱিন-লোষ্ট রেকোর্দ থমদুনা লোয়শিনখি। মসিগী মনুংদা মহাক্না টাইটল তরেৎ লৌবা ঙম্বা অদু য়াওরি।

কোট তৌবিয়ু
অদোমগী
পান

অরোইবা নুমিৎ য়ৌশিল্লক্লি...





৩০
নবেম্বর

এ. ৱাই. ২০১৪-১৫ গী ইনকম টেক্স রিটর্ন
মখাগী নুমিৎ অসিদা চপ চানা তারি
৩০ নবেম্বর, ২০১৪*

* ইনকম টেক্স এক্টগী ৪৪ এ বি য়ু/এসদা মখোয়গী ওদিট তৌরবা একাউন্টশিং ফংনবগীদমক্তা তঙাইফদবা ওইরিবা মীওইশিং নত্রগা ইনকম টেক্স এক্ট ৪৪ এ বি য়ু/এসদা ওদিট তৌনিংঙাই ওইবা মখোয়গী একাউন্টশিংগী ফর্মশিংগী ৱার্কিং পার্টনরশিংগীদমক্তনি।

* জম্মু অমসুং কাশ্মীর ষ্টেটতা লৈবা এসেসিশিংগীদমক্তদি মখোয়গী ইনকম টেক্স রিটর্ন অদু সেপ্তেম্বর ৩০, ২০১৪ দা ফাইল তৌনিংঙাই ওই।

* এফ আই ২০১৩-১৪ গী মনুংদা ইন্টরনেশনেল ত্রাঞ্জেক্সন নত্রগা স্পেসিফাই তৌরবা দোমেষ্টিক ত্রাঞ্জেক্সন অমদা লৈরবা মীওইশিংগীদমক অমসুং মখোয়শিং অদুনা ইনকম টেক্স এক্টকী য়ু এস ৯২ ঈদা রিপোর্ট থাগৎনিংঙাই ওই।

ভিজিট তৌবিয়ু ঃ https://incometaxindiaefiling.gov.in অকুপ্পা মরোলগীদমক

ইনকম টেক্স এক্টকী তোঙান তোঙানবা সেক্সনশিংগী মখাদা ওদিট রিপোর্টশিংগী ঈ-ফাইলিং তৌবা অয়াবা পীরি

ইনকমগী রিটর্ন পীখৎত্রিঙৈ মমাংদা অদোমগী সেল্ফ এসেসমেন্ট টেক্স লাইএবিলিটি পিথোকপিয়ু, মদু নত্রগদি অদোমগী রিটর্ন অদু দিফেক্টিভ ওইরে হায়না লৌগনি।

ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্ট
www.incometaxindia.gov.in

davp 15401/13/0054/1415